# এন আর এফ এমনা জন্যুৱারী ২৬তা জেনরেল ...

*লামায় ১গী মখা...* থেংথদুনা অসুমক লৈখিগনি। হৌজিক ঐখোয় ইন্দিয়াগী মীনাই ওইদুনা হিংলকপা চহী চাম্মা শুরক্কদৌরে মরম অসিনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নসি। ইন্দিয়াগী নীংতম ঈহৌ কুমজা ১৮৫৮দগী হৌখি চহী ৮৯ লৈরগা কুমজা ১৯৪৭তা নীংতম্বা ফংখি। ঐখোয়গী নীংতম ঈহৌ কুমজা ১৯৪৯দগী হৌখিবনি হৌজিক চহী ৭৪ হৌজিনখ্রে হায়রি।

ঐখোয়গী পুৱারী, খুন্নাই অমসুং য়েলহৌমী ঐখোয়গীনি ইন্দিয়াগী নত্তে। ঐখোয় ইন্দিয়াগী মখাদা লৈ ঐখোয়গী পুৱারী, খুন্নাই অমসুং য়েলহৌমী ঐখোয়গীনি ইন্দিয়াগী নত্তে। ঐখোয় ইন্দিয়াগী মখাদা লৈরিমখৈ ঐখোয় মণিপুরী নেসন অমনি হায়না শক তাকপা ওইথোক্লোই মালেম্না শক খঙবীরোই। ঐখোয় কিগুমসি মদুগী মহুত্তা অচুম্বগীদমক্তা থৱায় থাদোকসি। নীংতম্বদগী হেনবা অমমুক মালেমসিদা লৈতে হায়বদু পূন্না উৎমিন্নরসি। ইন্দিয়া ঐখোয়গী খ্বাইদগী তমথীবা য়েক্লবনি হায়বসি অফস্পা থমজিল্লিবা অসিনা লেঙদ্রবা খুদমনি। নীংতম লালহৌ নমথনবা কুমজা ১৯৫৮দগী মণিপুর শিনথুংনা অফস্পা চৎনহনখি। মণিপুর পূম্বা দিষ্টর্বদ এরিয়া ওইরে লাউথোকখি। মসিদবু ঐখোয়না রিপল্লিক থৌরম য়াওবগী করি ৱাহন্থোক অমুক লৈরিবগে? অফস্পানা দেমোক্রেসি অমসুং রিপল্লিকপু লান্না চিংদুনা পুরি। য়েক্লবা খক্তদা শীজিন্নগদবা লো অসিগী মখাদা ঐখোয় কয়াম কুইনা হিংখিসি হায়বগে হায়না হংলকপগা লোয়ননা তিন য়োৎথরগা খন্থমিন্নরসি হায়রি।

রিপল্লিক দে অসি কুমজা ১৯৫০দগী হৌরগা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা মণিপুরদসু ইন্দিয়ানা ঙম্মী মতাগুম লেপ্তুনা পাঙথোক্লি অদুবু মীয়াম্নদি শরুক য়াবা লৈতে হায়রদুনা চেরোলসিনা হায়, ইকায় খঙদবা মীওই খুজোক অমবু এম এল এ, মিনিষ্টর ফমদোন থিন্দোকপীরগা ইন্দিয়ানা শীজিন্নরি অদুগা ঐখোয়গী মীয়াম্বু লোই চল্লগা থল্লক্লি। ঐখোয়গী মীয়াম অরেং অরেং পুথহল্লি। ৱাজাউ ঙাঙবা হৈবা ইরৈচা খরসু মখোয়না থাকপা লাংদা থুংখিদুনা চীফ মিনিষ্টর ওইহনবা য়াও, মন্ত্রি ওইহনবা য়াও চহী মঙা খুদিংগী তাৎকী মীখল পাঙথোক্লুগা লৈঙাক পায়হল্লি। লৈঙাক খুর্জিদি মখোয় (ইন্দিয়া) না পায়রি। মখৌ পোংনা অফবা শাদুনা লাউ খোংলি, চেল্লি চোংলি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না লিগেলাইজ তৌখ্রবা ওপিয়ম প্লান্টেসনগী মায়োক্তা 'ৱার ওন দ্রগ' লাউথোক্লি। মীদিয়াদা হিরো কুম্লি। লৌবুক্তা দ্রগ ফ্রী ওইরি। মণিপুর লৈঙাক কাং খোং চাইদুনা থক্লবা ঈশিং ফাওবা মপূং ফানা পীবা ঙমদ্রি হায়রি।

ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগী মায়োক্তা ৱার ওন দ্রগ লাউথোক্কেদি হায়দ্রদনা মীয়ামদা ওনশিন্দুনা লান তৌদুনা লৈরে। ইন্দিয়াগী মায়োক্তা ৱার ওন ৱাটর তৌহৌদ্রদি মণিপুর ঈশিং থকপা ফংলোইদৌরি। ইন্দিয়ানদি উত্তর প্রদেশ, মধ্য প্রদেশ অমসুং রাজস্থানগী দিষ্ট্রিক্ট ২২ (নোটিফাইদ ত্রেক্ট) দা অদুগা ম্যান্মারদসু গোল্ডন ত্রাইএঙ্গল এরিয়াশিংদা পোপি ফোংনা থাহল্লি অদুগা পোথোক অদু চাইনাগুম্না ব্লেক মার্কেটতা মণিপুরদা ফংহল্লি। মালেমদা খ্বাইদগী ফরবা হীদাক পোপিদগী পুথোক্লবসু মণিপুরদদি এদ্দিক্ট ওইহন্দুনা মীওই কয়া হাৎলি অমসুং পংথহল্লি। য়ু কেনা চাইনাগী মীওই মিলিয়ন ১০গী মথক্তা ওপিয়ম এদ্দিক্ট ওইহনবদগী ওপিয়ম ৱার থোরকখি। অদুবু অৱাং ভিএটনামদদি পোপি থারগা কাঙলোন চুম্না য়োল্লগা ফংলকপদুনা ফ্রান্স মায়থীবা পীখি। নীংতম্বা কনবা ঙমখি হায়রি।

মণিপুরদসু ওর্গানিক হার অমসুং হকচাং শোক্লোইদবা তিলহাৎ হীদাক শীজিন্নদুনা পোপি পাক শন্না থারগা নীংতম লান্দা শীজিন্নবা হেক্তে দাক্লা য়াই। পোপি লান্না শীজিন্নবা অমদি এদ্দিক্ট ওইবশিং শিবগী চৈরাক পীবা লিগেলাইজেসন শেমদুনা মতিং লৈনা চৎনহনগদবনি। মদুতদা ঐখোয়গী ময়াই কল্লবা পোপিনা মালেমগী কৈথেলদা মফম খ্বাইদগী চাউনা কনবদা নত্তনা লোইলম লৈঙাক্না মাঙ তাক্লুরবা ঐখোয়গী শেল মীৎলোন অথুবদা হিঙ্গৎহনবা ঙমগনি। মসিগীদমক শোর্ট অমসুং লোঙ টর্ম প্লান মথৌ তাই। অমরোমদা মীদিয়া রিপোর্ট মতুংইন্না, অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, হিমাচল প্রদেশ, জম্মু এন্দ কাশ্মীর, ঝরখণ্ড, উত্তরখণ্ড অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গল ষ্টেটশিং অসিদা পোপি মরাং কায়না থাদুনা লায়রবা পাম্বৈ লৈজদবা লৌমী কয়াগী হিংফম ওইরি হায়রি।

কুমজা ১৯৪৯দগী মণিপুর ঙসি ফাওবা তংদু লৈতানা পানবা ঙমদ্রি। লোক্তাক প্রোজেক্টনা অমুক্কসু মাঙ তাকহন্নবা মখা শমথরক্লি। অপংবা মণিপুরগী মমল অশিংবা ইন্দিয়ানা লেপ্তুনা চাবা তোক্ত্রি। ইমুং খুদিং লালহৌবগুম উরি। করপসন ফোংনা তৌহল্লি। নহারোল কয়া দ্রগ এদ্দিক্ট, ঐচ আই ভি ভিক্তিম ওইহল্লি। য়ু কষ্টমরিগী মীংদা শুংহন্দুনা নহারোল লিশীং লিশীং ঙক্রা-ঙামু হাৎপগুম চংহাৎ চংহাৎ হাৎলি। ইন্দিয়ন আর্মি থমজিন্দুনা চনুরা কয়াগী লমচৎ মাঙহল্লি। কোম্বিং ওপরেসনগী মীংদা নুপী কয়া লুখ্রা ওইহল্লি। ষ্টার্ট অপকী মখাদা হ্যুমেন ত্রাফিক্কিং মায়োক্লুরি। এক্ট ইষ্ট তৌদুনা মরিপুরগী লম ম্যান্মারদা পীথোক্লি। কুকি হোমলেন্দ শেম্বদা য়েংদুনা লৈরি। লম নাকোয়ননা শৌগৎলি। রেল লম্বী য়ৌরক্লমদাই য়েলহৌমীগী কাঙ্খুল মুৎপা হৌরক্লি। প্রোজেক্টকী মীংদা ময়াং মরূম থুবা হেল্লক্লি। আই এল পি মখাদা মীতোপ্না খুৎলিংবা হৌরক্লি। হোম কমিং সেলেব্রেসননা নীংতম ঈহৌ মমি শামহল্লি। সঙাই ফেষ্টিবেল তৌদুনা ঈরাং কৈথেল কাহল্লি। শূ য়াওহল্লগা শুদনা চাবা হৈনহল্লি। মণিপুর কোকয়েৎ য়েৎলগা বব্রুবহনগী চাদা নাওদা ওইহল্লি। অনৈবনা ময়ায়দা অরূবনা মতাইদা চেলহন্নবা লাক্লুরি হায়রি।

পূম্নমক অসি ওইদুনসু মৈবু ফিনা কুপ্তুনা কৈদৌনুংদা কুইনা খক থম্বা ঙমদে। নোংপোক থোং হাংখ্রে। নোংচুপ থোং থিংখ্রে। কংলা ময়েক শেংলক্লে নীংতম নুমিৎ থোরক্লনি। ময়াং ক্বাক পাইখ্রনি মীতৈ ক্বাক লাক্লনি। কংলাদা নিংথৌ ফম্বাল তোংলগনি। পেনানা থৌগল তৌররনি। মাইবী লাই তোংলরোই। মহৈকোলদা লাই হরাওনরনি। চীংগী মীনা তম্পাক্তা তমগী মীনা চীংথক্তা খুন্থোক্লরনি। চীং পূম্নমক্তা তম্মীনা তম্পাক পূম্নমক্তা চীংমীনা মপু ওইদুনা পাল্লরনি। মীয়াম্না লৈঙাক থৌদাদা মখা তানা তৌররোই হায়রি।

করিমুক হায়গনি ১৯৪৮ দা মণিপুর মশাগী কন্সটিট্যুসন চৎনহনবা লৈবাক অমা ওইদুনা লো মেকর ৫৩ এদল্ট ফ্রেনসাইস তৌদুনা মীয়ামনা খনখি। ১৯৪৮ ওক্টোবর ১৮ দা এসেমব্লি (পার্টিয়ামেন্ট) ফার্ষ্ট সেসন ফমখি। কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর শেমদুনা কেবিনেট লিংখি। অদুবু ১৯৪৯ ওক্টোবর ১৫ দা ইন্দিয়ানা নমফু লালোং তৌদুনা মণিপুর লৌশিনখি। নিংতম্বা মাঙখি। মদুগী মায়োক্তা খুৎলায় পায়বগী নিংতম লান থোরকখি। ১৯৭২ জন্যুৱারী ২১ দা লালহৌবা নমথনবনি হায়দুনা ষ্টেটহুদ পীখি। জেনরেল এমনেষ্টি লাউথোকখি। নমথবদি লায়রদনা চাইনাদা ট্রেন তৌরুরবা গ্যুরিল্লা লাল্লোং খঙকৎ কনখৎলকখি। ১৯৭৮ দগী খুৎ থাবা হৌরকখি। ১৯৮০ দগী ইন্দিয়ানা মণিপুর শিনথুংনা অফস্পা থমজিল্লকখি। ষ্টেট টেরোরিজম নুমিৎ খুদিং চত্থরকখি, কাউন্টর ইনসর্জেন্সি ওপরেসন মিংদা পাক শন্না কোম্বিং ওপরেসন তৌরকখি। চিংনবা মী ফারগা ওৎপা নৈবা তৌরকখি। হাৎখি, নুপী কয়া নুংথিল পোবোবতা রেপ তৌখি। মাস মসাকর মফম কয়াদা চত্থরকখি। জিনোসাইদ ক্রাইম তৌরকখি। নমথবা ঙমখিদে। হেন্নদুম কনখৎলকখি।

নিংতম্বা ফংদ্রিফাওবা ইংথবা লৈখিরোয়। ইনসর্জেন্সি লৈখিগনি। নমফু হাফু তৌদুনা ইলেক্সন তৌরি। কান্নবা লৈরোই। মীখলনা ৱাখৈবা ওইবা য়ারোই। মিলিটরিনা নিংতম ইহৌ লাকশিনবা ঙম্লোই। মালেমগী পুৱারীনা শাখিনি। নিং তমদ্রিফাওদি লালহৌবগী ইরাং লৈখিগনি। মুৎপদি লায়রদনা হেনগৎলক্কদবা খক্তনি। মীখল তৌবনসু কান্নবা ফংলোয়। শেল, মতম অমদি পাঙ্গল অরেম্বদা চাদিং তৌদুনা তোক্কনি। পোলিটিকেল্লি সনতায়নগদবনি। সোভেরিইনটি খক্তনা লালহৌবা লোয়শিনখিবা ঙমগনি। পোলিটিকেল সোল্যুসন তৌসি। গ্রাউন্দ রুল ইন্দিয়ানা শেমনিংবা মওংদা শেম্বীরকউ। সোভেরিইনটিগী ৱাফমদি কমপ্রোমাইস কৈদৌনুংদা তৌরোই। কুকি অমদি নাগানা তৌখিবগুম মণিপুরসু য়ারক্কনি খল্লুবগী কান্নবা ফংলোয়। ঐখোয়গীদি অতাতায়নি। নিংতম্বা হায়বসি ঐখোয়গীদি বার্থ রাইট অমনি।

ইন্দিয়াগী চহী অনী হেন্না চৎখৎনা নিং তমজখ্রবা ঐখোয়গী নিংতম্ববু শকখঙবীবগী মহুৎতা ঐখোয়বু মখোয়গী লোয়লম লৈবাক ওন্থোকপিখি। লান্মী শীজিন্নদুনা ইশাগী লান্মী শেমগৎপা হৌরকপদা ঙাইরিঙৈদা লোয় চনখি। মখা তারকপদা অমুক্কসু ১৯৫০ দগী নমফু হাফু তৌদুনা ইন্দিয়ানা রিপল্লিক দে পাঙথোকপা ইরমদম মণিপুরদা হৌরকখি। ইন্দিয়াগী নেসনল ফ্লেগ পাইহনখি। নমদুনা মখোয়গী নেসনল এন্থেম চিনফা পুহন্দুনা শকহনখি। রিপল্লিক ওইদবা ঐখোয়গী লৈবাক মণিপুরদা রিপল্লিককী লান অমগা অমুক চত্থরকখি।

হৌজিক ইন্দিয়ানা মণিপুরগীদমক তৌবীগদবা শোয়ফদবা থবকশিংদি : অহানবদা এফ এস পি এ লৌথোকখিবা। অনীশুবদা ইন্দিয়ন আর্মিনচিংবা মীয়ামগী য়েক্লবা সিক্যুরিটি ফোর্স পুম্নমক হন্দোকখিবা। অহুমশুবদা ইন্দিয়ন পোলিটিকেল সোল্যুসন তৌবা পাম্লে হায়না দিক্লার তৌবা। মরিশুবদা জেনরেল এমনেষ্টি লাউথোকপা। মঙাশুবদা জোইন্ট কনভেন্সন অমা ন্যু দেল্লিদা ফম্বা। তরুকশুবদা মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্স বিল পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তুনা পাস তৌবগা লোয়ননা এক্ট ওন্থোকপা। তরেৎশুবদা পৱার ট্রান্সফার তৌবা।

মথক্কী থমজরিবা ৱাফম অসি কন্দিসন নত্তে। লালহৌবা মীয়ামগী মহুৎ শিল্লগা থম্বা ৱাফমসু নত্তে। লুপ অসিনা পামজবা শান্তিগী লম্বী অদু উৎপখক্তনি। মসিদা ইন্দিয়ানা য়ানিংদ্রবদি ঙম্মী হায়দুনা মুনখিবা ঐখোয়গী নিংতম্বা হৌজিক পাল্লিবা এন বিরেননা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক অসিদা চিং লেম্বা থৌরম অমা পাঙথোক্লগা সনাগী শেমপাক্তা থেন্দুনা ঐখোয়গী সোভরিএনটি খুৎশম্নবীয়ু। মতম অদু হৌজিক ওইরে।

ইন্দিয়াগা মখা তানা ইমু নাইমু অমুক তান্নরগুমসি। মসিনা পোলিটিকেল ওইবা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। অফস্পা লৈরিমখৈ মণিপুরদা দেমোক্রেসি লৈরোই। গুদ গভর্ণনানসকী মঙ মঙবা ওইথোক্লোই। দ্রগ ৱার মায় পাক্লোয়। ইন্দিয়াগী মগুন লৈরবা কন্সটিট্যুসননা পিরিবা ফন্দামেন্টেল রাইটশিং অসি মণিপুরী অমত্তনা ঙসি ফাওবা ফংবা ঙমদ্রি। ফংবা শুকঙম ঙল্লরোই। ইলেক্সন তৌবগী ৱাহন্থোকসু লৈতে। মীখা পোনবা লৈঙাক্কী মিনিষ্টর, এম এল এ লৈবগী করিবু কান্নরিবা? ইন্দিয়াগীসু কান্নরোয় ঈখেং তাবা নত্তনা। মণিপুরগীসু কান্নদে থৱায়না পোন্থা পীবা নত্তনা। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিমখৈ মণিপুর চাওখৎহনবা ঙম্লোই। লোয়লম শন্দোকপদা হালেঙদবা বৃটিশ ফাওবনা মণিপুর থাদোক্তুনা চৎখ্রবদা ঙরাংতা নিংতম্বা ফংবা ঙম্লকখিবা ইন্দিয়ানা মণিপুর থাদোক্তুনা চৎত্রিবসি করিগীনো হায়বা ঐখোয়গী ৱাখলনা লাম্বা ফংদে। নখোয়না নিংতম্বা পাম্বগুম ঐখোয়সু নখোয়দগী তাদনা নিংতম্বা পাম্বা নেসন ষ্টেট অমনি হায়বসি খনখিয়ু। নোকনিংবা পোকচৈ নখোয়গী রিপল্লিক দে সেলেব্রেসন!

মরম অসিনা ঐখোয়গী নুংশিজরবা ইরৈচাশিংগী মফমদা নোল্লুক্লা হায়জরি মদুদি ইন্দিয়াগী রিপল্লিক দে মণিপুরদা পাঙথোকপা থিংলোয়দবগী মরম থিবদি ফংদে। লৈজবি থাদুনা থিংসি। থিংবা পামবিদবা ইরৈচাশিং য়াওবিরবদি মরম পীদুনা মিদিয়াগী থোংদা ফোঙদোকপীরকউ।

অনীশুবদা মণিপুর খুন্নাই ইন্দিয়া খুন্নাই, তোঙান তোঙানবা মরী শুক্লে লৈনদবা খুন্নাই অমমম ঙাক্তনি। মণিপুর খুন্নাইনা ইন্দিয়াগী খুন্নাইগী মাঙনবা করিগুম্বা মতমদা তৌখিবা লৈতে। ইন্দিয়ানসু তৌবীগনু। তৌফমসু থোক্তে। ফিজেৎ চাকচা, শক, চু, ৱাঙাং শাঙাং, মিৎয়েং নায়েং, লাইনিং লাইশোন, লোনলি, নাৎনুং পুম্নমক অমত্তা মান্নদে। হৌরকফম তিন্নদে কুচু মান্নদে হৌনা লোনচৎ খৈন্নৈ পুৱারী পুনদে। অমুক্কসু নিংতম লান লেপত্রি লান চৈথেং ফংলিবা য়েলহৌমী ওইবা মীয়াম অমবু ঙাক শেল্লিবা মণিপুরী খুন্নাইনি। অমরোমদা ইন্দিয়াগী খুন্নাইদি নিংতম্বা ফংদুনা রিপল্লিক ওইরবা লৈবাক অমগী হরাও মথোয় কাদুনা ইংনা চিকনা পাল্লিবা খুন্নাই অমনি। মণিপুর নিংতমদ্রি রিপল্লিক ওইদ্রি।

অহুমশুবদা মণিপুরদা ইন্দিয়ানা ১৯৪৯ দগী তৌনিংবা তৌদুনা লাক্লি। লেপ্পা লৈতনা ওৎলি নৈরি। ঐখোয়গী য়েলহৌমীশিং মুৎখিনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। পাম্বৈ অমদি মীচং লৈজদবা মণিপুরীশিং য়েংদুনা লৈবা নত্তনা অতৈ লম্বী অমা লৈতে। অদুবু শোল্লবসু শোন্না ঐখোয় কন্না মুক্লবদি অদুম্মক মখা চত্থরি। নিং তমদ্রিফাওবদি মুক্লরিবা অসি হনবা লৈরোই।

মরিশুবদা মালেমগী মমাঙদা মণিপুর ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমনি হায়বা উৎনবখক্কী রিপল্লিক থৌরম ১৯৫০ দগী মণিপুর লৈমায়দা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ঐখোয়নসু মিদিয়াগী মতেংনা থিংনবা লাক্লদুনা লাক্লি। জেনরেল ষ্ট্রাইকনচিংবা কৌদুনা ঐখোয় য়ানিংদে হায়বসি মালেমদা খঙহল্লি। ঐখোয়গী মতম নোংমদি শোয়দনমক্কী লাকখিগনি হায়বগী থাজবা মণিপুরী খুদিংমক্কী থম্মোয়দা লেঙদনা লৈরি। নিংতম লান থেংনরিবা খুদিংমক্কী থম্মোয়দা ময়েক লানা মমি তাদুনা মীয়ামগী মাঙ থাদুনা লান তৌরি মখা চত্থরি লাল্লোং কয়া থিরি পোরম কয়া কাঙদুনা য়েংলি ফংনবা হোৎনরি। মণিপুরী খুদিংমক্না ইন্দিয়াগী রিপল্লিক দে নুমিৎতা কৌরকপা জেনরেল ষ্ট্রাইক খুদিংমক ঙসি ফাওবা শৌগৎতুনা লাক্লি। মখোয় মখোয়গীসু তৌদা য়াদ্রবা শিন্থা লৌদুনা লাক্লি।


অরোয়বা মঙাশুবদা য়েক্লবা ইন্দিয়াগী মফমদা নোঞ্জরগা হিংবা, চঙজরগা হিংবা, ঙারগা হিংবা, শুকয়া য়ানররোয়দবা জাতি অমগী মখাদা হিংবা, ইনাৎ নত্তবদা মৌনদুনা য়াইবী মাঙবা পুম্নমক অসি তোক্লা তোক্লা ঐখোয় খুদিং হিংলি। পুম্নমক অসি করিদগী ওইরকখিবনো, করি অমুক ওইরকখিগনি হায়বা কনানসু হায়বা ঙম্লোই। মসিগী ৱাহন্থোক নিংতম্বা হায়বসি নত্তনা অতৈ লৈতে। ঐখোয় নিংতম্বা পাম্বা নেসন অমনি, নিংতম্লসি। ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন চৎনহল্লগুমসি। ইন্দিয়া লৈঙাক মরু ফংনা ফুক্তোকখ্রসি। ইশাগী লৈবাক মীতোপকী মখুৎতগী মুন্দুনা লৌরসি। ইশাবু ইশানা কঞ্জরসি। চীং তম মান্ননা লৈঙাকমিন্নরসি। মান্নবা খুন্নাই শেম্লসি। গুদ গভর্ণনান্স পুরক্লসি। লোন অমদি লাইনিং মান্নদ্রিমখৈ হেন্নদুম নুংশিনরসি। মীনাই য়োৎলিং থদৎলসি। অনৌবা মণিপুর শেম্লসি। নিংতম নুমিৎ থোকহল্লসি। মালেমগী চাওখৎ লমজেলদা শরুক য়ারসি।

মালেম পুম্নমক্তা খঙহল্লসি ঐখোয় নিংতম্লে! মীতৈ, নাগা, কুকি, পাঙল অমত্তা ওইরে!! ইশানা ইশাবু ইকায় খুম্নজরে!!! মণিপুর মীয়াম্না য়াইফরে!!!



এন এস ফিল্ম প্রদকসনন চহী ৫০ মপুং ফারকপগী থৌরমগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা গুরুঅরিবম নরায়নগী ফোটোদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখিবা

## CROSSWORD-3766



**ACROSS**

1. Later on(10)
7. Toxic element(7)
8. Measure of medicine(4)
10. Ballet dancer's skirt(4)
11. Brown sugar(8)
13. Foliage(6)
15. Frightened(6)
17. Flag(8)
18. Flightless New Zealand bird (4)
21. Observed(4)
22. Put in order(7)
23. Brains(4,6)

**DOWN**

1. Something worth having(5)
2. Melody(4)
3. Wealthier(6)
4. Assemblage of listeners(8)
5. Be without hope(7)
6. Insipid(9)
9. Wading bird(9)
12. Inclination(8)
14. Non-professional(7)
16. Fleet of ships(6)
19. Interior(5)
20. Unpleasant child(4)

Solution 3765



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-5064

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | | 1 | 5 |
| | | 1 | | | 7 | | | 4 |
| 5 | 7 | | | 9 | | 3 | | |
| | | | 8 | 3 | 4 | | | |
| | 1 | | 9 | | 2 | | 3 | |
| | | | 5 | 7 | 1 | | | |
| | | 6 | | 1 | | | 9 | 2 |
| 1 | | | 2 | | | 5 | | |
| 2 | 9 | | | | | | | |

### Solution-5063

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 6 | 5 | 2 | 1 | 9 | 8 | 4 | 7 |
| 7 | 4 | 8 | 3 | 6 | 5 | 1 | 2 | 9 |
| 1 | 2 | 9 | 7 | 8 | 4 | 5 | 3 | 6 |
| 2 | 9 | 1 | 6 | 3 | 8 | 7 | 5 | 4 |
| 6 | 7 | 3 | 4 | 5 | 1 | 9 | 8 | 2 |
| 5 | 8 | 4 | 9 | 7 | 2 | 3 | 6 | 1 |
| 4 | 1 | 6 | 5 | 9 | 3 | 2 | 7 | 8 |
| 8 | 3 | 7 | 1 | 2 | 6 | 4 | 9 | 5 |
| 9 | 5 | 2 | 8 | 4 | 7 | 6 | 1 | 3 |

## EMPLOYMENT NEWS

### SAI RECRUITMENT 2023 FOR 4 JUNIOR CONSULTANT, YOUNG PROFESSIONAL

Sports Authority of India Junior Consultant, Young Professional Recruitment 2023: Advertisement for the post of Junior Consultant, Young Professional in Sports Authority of India . Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 21 January 2023. Candidates can check the latest Sports Authority of India Recruitment 2023 Junior Consultant, Young Professional Vacancy 2023 details and apply online at the sportsauthorityofindia.nic.in/ recruitment 2023 page.
Sports Authority of India Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ sportsauthorityofindia.nic.in/. Sports Authority of India selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed in Manipur. More details of sportsauthorityofindia.nic.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Vacancy Circular No:
Sports Authority of India (SAI)
invites applications for recruitment of Junior Consultant, Young Professional
Junior Consultant, Young Professional
Experience 1 - 5 years
Educational Qualification: B.A
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 50000 - 80250(Per Month)
Age Limit: Maximum 45 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Junior Consultant, Young Professional in Sports Authority of India.
How to Apply:
Candidates who wish to apply for Sports Authority of India Recruitment 2023 must complete the application process before 21/01/2023. Here we have attached the complete procedure to apply for the Sports Authority of India Recruitment 2023 along with the application link.
Step 1: Go to the Sports Authority of India official website sportsauthorityofindia.nic.in
Step 2: In the official site, look out for Sports Authority of India Recruitment 2023 notification
Step 3: Select the respective post and make sure to read all the details about the Junior Consultant, Young Professional, qualifications, job location, and others
Step 4: Check the mode of application and apply for the Sports Authority of India Recruitment 2023
Important Dates:
Published on: 14 January 2023
Last date for application is: 21 January 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### ASSAM AGRICULTURAL UNIVERSITY RECRUITMENT 2023 FOR 44 COMPUTER OPERATOR, MORE VACANCIES

Assam Agricultural University Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies Recruitment 2023: Advertisement for the post of Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies in Assam Agricultural University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 11 February 2023. Candidates can check the latest Assam Agricultural University Recruitment 2023 Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies Vacancy 2023 details and apply online at the www.aau.ac.in/ recruitment 2023 page.
Assam Agricultural University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.aau.ac.in/. Assam Agricultural University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of www.aau.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Vacancy Circular No:
Assam Agricultural University (AAU)
invites applications for recruitment of Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies
Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator,
Company Assam Agricultural University
Job Role Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies
Education Requirement Any Bachelors Degree
Total Vacancy 44 Posts
Job Locations Jorhat
Educational Qualification: Any Bachelors Degree
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 18000 - 131400(Per Month)
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies in Assam Agricultural University.
How to Apply:
Candidates must apply for Assam Agricultural University Recruitment 2023 before the last date announced. Candidates, who apply for the Assam Agricultural University Recruitment 2023, can follow the procedure given to apply.
Step 1: Visit the official website of Assam Agricultural University aau.ac.in
Step 2: Search the notification for Assam Agricultural University Recruitment 2023
Step 3: Clearly read all the details given on the notification
Step 4: Check the mode of application as per the official notification and proceed further
Important Dates:
Published on: 09 January 2023
Last date for application is: 11 February 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : হিয়াং অপাইবী

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

